**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-08-2025)**

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্পতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ভারতনা চহি কয়া বৃটিশ লোইলম মখাদা লৈরিঙৈদা মতম অদুগী মীয়ামনা করম্বা মতমদা নীংতম্বা ফংগদগে হায়বা ৱাখলসিনা মতম চুপ্পদা লাইনিং ওইদুনা লৈরকখি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী মাংওইননা রাস্ত্রপতিনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানিগী থোংদা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-মতম অদুগী থৌনা ফরবা লুচিংবা-লুচিংবী কয়ানা ভারতকী মফম খুদিংদা নীংতম লাঞ্চং লেপ্তুনা চংশিল্লকপদগী খাঙবা ঙমদ্রবা বৃটিশনা ভারত থাদোক্তুনা চৎখি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা কৎথোকখিবগী ফজরবা ফিদম অদুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা চিংশিল্লক্লি।

**ডে ঃ** ৭৯ শুবা ভারতকী নীংতম নুমিৎ পালন হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকবা শেম শারে। দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। মফমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা জাতিগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা লাল কিলাদগী জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৮ দগী পঞ্চায়টকী লুচিংবা ২১০ অখন্নবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

মণিপুরদসু হয়েং লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শারে। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভল্লানা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি। নিংথিজরবা

মার্চ পাস পেরেড অমগী সলামী রাজ্যপালনা ওক্কনি। কলা সংস্কৃত্তি অমসুং নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎকনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা মেদলশিং য়েন্থোক্কনি।

থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা ইম্ফাল য়াওনা মফম কয়াদসু অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে। রাজ্য পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মফম কয়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবা অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চখবা লেপত্রি। ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা লম্বীশিং তরু তান্ননা শেংদোক্কুনা ফজরবা হোজং কয়া শেমলে। নুমিদাংগী মতমদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরালগী মৈঙালশিং লৈতেংদুনা নীংথিনা মকে শেমলে।

**মেসেজ (এল) ঃ** ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেল অমদা হায়-নীংতম নুমিৎনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা থমোয় শেংনা য়াইফ পাউজেল পীজরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মশিং থিঙমদ্রবা ফ্রিদম ফাইটর কয়ানা মমা লৈবাক্কীদমক থৌনা ফনা কৎথোকখিবা অদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। মখোয়না কৎথোকখিবা অদুনা ঙসি ঐখোয়না নীংতম্লবা লৈবাক অমা ওইনা ইজৎ লৈনা হিংবা ঙল্লিবনি।

পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা ভারতপু হেন্না চাউখৎপা, শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুমমকা থৌদাং য়ামীন্ননবা অমুক হন্না ৱারেপ লৌরসি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুর অসি শান্তি অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নরসি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা পীবা পাউজেলদা হায়-নীংতম নুমিৎ পালননা লাকপদা লৈবাক অসিবু নীংতমহন্নবা হোৎনবদা

থৌনা ফনা কৎথোকখিবশিং অদুবু নীংশিংবা খক নত্তনা ঙসিগী মীরোলনা মখোয়গী ফিদমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা চাউখৎপগী মায়কৈদা হেন্না চংশিন্নবা হোৎনরসি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবগীদমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু।

নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা পীবা পাউজেলদা হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়-ঐখোয়গী থম্মোয়দা মচু অহুমগী ফিরালবু লাৎচদুনা, কৎথোকপা অমসুং থৌনানা পুরকখিবা ঐখোয়গী নীংতম্বগী নুমিৎ পালন অসি হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লসি। অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুনা খুদোল তম্বীরম্বা ঐখোয়গী নীংতম্বা অসি ঙসিগী মীরোলনা মখা তানা ঙাক শেন্দুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়রি।

হান্নগী রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পাঞ্চয়েটি রাজ মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা পাউজেলদা হায়-ঐখোয়গী নীংতম্বা ফংনবগীদমক ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা কৎথোকখিবা থৌনা অদু নীংশিংদুনা ঐখোয় পুমমকা মখোয়গী ফিদম লৌনবা হোৎনরসি।

**নীংতম (এল)ঃ** মনিপুর অমসুং মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি মনিপুরগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৪ দা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মখুৎতগী মনিপুরনা নীংতম্বা ফংখি।

নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা মনিপুরিশিংনা চহি খুদিংগী পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না শিনদুনা ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা নীংতম নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীখা পোনবগী অৱাবা নৌহৌননা নীংশিংবগা লোয়ননা নীংতম্বগী নুংঙাইবসু নীংশিংহল্লি। মহাকা হায়-

মনিপুরগী নীংতম নুমিৎ পালন, মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) নসু শিনদুনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা, মতম অমদা নীংতমা লৈরম্বা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ভারতকী নাগরিক অমা ওইনা নীংতমা চৎপা ফাওবা ফংদবগী ফিভম লৈরকপা অসিদা নুংনাংবশিং ফোংদোক খি।

ওরিয়েন্টেল লেভেল্লর এসোসিয়েসন (ওলা) ৱাংখৈ কোংবনসু ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেনদা ফিরাল চিংখৎতুনা মনিপুরগী নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী থৌমীশিং অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**তিরঙ্গ (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন লেপ্তুনা পাঙথোকরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী য়ুমদগী হৌরগা খাঙবম লমখাই ফাওবা মীয়ামনা খুৎতা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা হর ঘর তিরঙ্গাগী খোঙচৎ অমা চৎখি। তুংদা, খোঙচৎ অদু শ্রী বিরেনগী য়ুমদা অমুক হল্লকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেননা হায়-মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং য়ামা চাউই। ইরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন পোকহনদুনা মাংজিল থাবা মরা চেৎপা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাংনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নীংতম নুমিৎকী মাংওইননা ঙসি হর ঘর তিরঙ্গগী রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অদুগী দিপ্যুতি কন্মিসনার পুজা এলাংবমনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাকা হায়-লৈবাক অসি নীংতমহন্নবগীদমক মতমদুগী থৌনা ফরবা মরৈবাক নীংবশিং অদুনা কৎথোকখিবশিং অদু ঐখোয়না খুদুং ইন্না

চৎননবা হোৎনগদবনি। সি.আর.পি.এফকী ৬৬ শুবা বটালিয়ননা শিনদুনা হর ঘর তিরঙ্গাগী খোঙচৎ অমা ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মহৈরোই ৮০০ লোমদা শরুক য়াখি।

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী সেক্রেটরিশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুনা মীয়ামদা ফংহনগদবা সার্ভিসশিং নীংথিনা পীবা ঙমনবা য়াওনা লম কয়াদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**এময়ু (এল)ঃ** নেফ্রোলোজি এন্দ ইটস প্রিভিলেন্স ইন মণিপুর হায়বসিদা নোংমগী ওইবা পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শিজ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী নেফ্রোলোজিষ্ট ডা: গুলিভর পোৎশংবমনা হায়-কিদনিবু ফনা থমবগীদমক ঐখোয়না চাবা থকপা অমদি পুন্সি মহিংদা চেকশিনগদবনি। কিদনি নারক্লিবা অসি মপুং ওইনা দাইবেটিষ্ট অমসুং ব্লড প্রেসরগী অনাবদগীনি। মসি নাদনবা ঐখোয়না থাউ, থুম অমদি ফেটকী শরুক য়ামা য়াওবা চিঞ্চাকশিং অমদি মৈখু শিজিন্নরোইদবনি। মসিগী মথক্তা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবীগদবনি।

**কেন্সর(এল)ঃ** রিমসতা কেন্সরনা নাবদগী লায়েংদুনা লৈরিবা মীওই অনিদা ঙরাং মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা সিয়ার এন্দ কিয়ার-ৱাংখৈ, রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্ট অমসুং ফ্রাইদে চুহিং-খুমবোংনা পুন্না শিনদুনা লুপা লিশিং তরা-তরাগী শেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়রি।

খোঙথাং অসি কেন্সর ৱারিয়র সপোর্ট হায়বা থৌশিলগী মখাদা পায়খৎপনি হায়রি। তেংবাং শেল খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা বাবিনা গ্রুপ ওফ কম্পানিগী চেয়ারমেন কম মেনেজিং দাইরেক্তর-ডা: টি.ঐচ. ধভালি অমসুং সিয়ার এন্দ কিয়ারগী ফাউন্দর-ডা: আর.কে. লেনিন য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ফিস(এল)ঃ** সসটেনেবল ফিস ফার্মিং টেকিক্কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং নাউরেম মখা লৈকাইদা লৈবা ইরোম য়ুম্ফম প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রোম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা নীংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**হোম(এল)ঃ** হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স (দি.এ) চাদা ৩৯ দা হেনগৎপগী মতাংদা করি থবক পায়খৎলবগে হায়না রাজ্যগী কম্মিস্নার হোমদা অইবা চেরোল পীশিনদুনা তকশিনখ্রে।

ৱাফম অসি মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোংদোরকপনি।

**রিলিফ(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট থৌবালগা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প অহুমদা অঙাংশিংগী সেনিটরি আইটেমশিং, শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং অমদি চান-থকবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

**ব্লড(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংদা ঙসি লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তমেংলোংগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা:

জি. মজাচুলুনা হায়-ঈ দান তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**মীলাল(এল)ঃ** মনিপুরি লোল-মীতৈ লোলবু হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) না শিনদুনা হৌখিবা থা অসিগী অহূমদা পাঙথোকখিবা চাংদমবগী ফল লাউথোক্লে।

পরিক্ষা অদুদা জিরিবামদগী য়াওনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ১৫,০৭০ না শরুক য়াখি। ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদুদা মকোক মথং তারবশিংদা, থা অসিগী ১৮ দা ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা পাঙথোককদবা মীলালগী মপোক কুমওন থৌরমদা মনা মথুমশিং য়েন্থোক্কনি।

**সিসি(এল)ঃ** মনিপুর গভরমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি লেকচররস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী সি.সি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা অফবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এদুকেসসন (এস) কী সেক্রেটরি-নাউরেম প্রবিন অমসুং এদ্‌কেসন (এস) কী দিরেক্তর-এন.জি. ভোগেন্দ্র য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লাইরিক(এল)ঃ** পুখ্রম্বম নিমাইনা হিন্দিগী মীতৈলোলদা হন্দোকপা নোবেল-‘দিক্সা’ ফোংবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিংদা ফোংখ্রে।

অমরোমদা, লাইশ্রম মতুম সিংহনা ইবা-‘মিংগৌ খঙলকপদা ভানুমুখি’ হায়বা লাইরিক অমা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি ফোংখ্রে।

**এৱার্ড ঃ** হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎকা পালনগা মরী লৈননা পুলিস, ফয়ার, হোম গার্দ, সিভিল দিফেন্স অমসুং করেকসনেল সার্ভিসশিংগী পুন্না মীওই লিশিং ১,০৯০ দা গেলেন্টরি অমসুং সার্ভিস মেদলশিং

পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

গৃহ মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-গেলেন্টরি মেদলনা পার্সোনেল ২৩৩ দা, প্রসিদেন্টস মেদল ফোর দিসতিংগুইজ সার্ভিসনা পার্সোনেল ৯৯ দা অমসুং মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসনা পার্সোনেল ৭৫৮ দা পীরগনি।

ওপরেসন সিন্ধুরদা শরুক য়াখিবা বি.এস.এফকী মীওই ১৬ তা গেলেন্টরি মেদলশিং পীরগনি। মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা-মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসতা মনিপুরদগী মীওই তরুক য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি-রাজ্য পুলিসকী এদিসনেল সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-দেবেন্দ্র সিংহ হিজম, দিপ্যুতি সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-থাংজপাউ ৱাইফৈ, সব-ইন্সপেক্তর-নিরবির সিংহ য়াঙাম্বম, হবিলদার-দোরেন্দ্রো মীতৈ, কন্সটেবল-সৈখো হাও খোংশাই অমসুং রাইফলমেন-মানতে জেকি কোমনি।

করেকসনেল সার্ভিসকী মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসতা মনিপুরদগী মীওই অনি য়াওরে। মখোয়শিং অদুদি-ৱারদর সুরেন্দর কুমার সিংহ ঙাংবম অমসুং হেদ ৱারদর-মুহামদ হমিজদ্দিননি।

**ফুটবোলঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংগী মেটচ ফিকচর লাউথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা শিল্লোং লাজোং এফ.সি. অমসুং ইন্দিয়া নেভি (এফ.টি) শিল্লোংদা শান্নরগনি।

অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচনা নুমিৎ অসিমক্তদা বোড়োলেন্দ এফ.সি. অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ.সি, অসামগী কোক্রাঝারদা শান্নরগনি। অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অনি অদুনা মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিৎতা জমসেদপুর এফ.সি. অমসুং দাইমন হারবর এফ.সি. জমসেদপুরদা অমসুং মোহন বগান সুপর জাইন্স অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সি. কোলকাতাদা শান্নরগনি।